# সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী চহী ১৫ মখাগী টাইটল ইন্দিয়ানা লৌখ্রে




থিম্ফু, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) ঃ

ভুটাননা য়ূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৯ দগী নেপালগী কোনুং থিম্ফুদা লৈবা চাংলিমিথাং ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা নুপীগী চহী ১৫ মখাগী সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল ইন্দিয়ানা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বাংলাদেশপু পাঞ্জল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী চহী ১৫ মখাগী নুপীগী টিম অদুনা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইরিবা বাংলাদেশকী টিমগা য়াম্না অকনা মওংদা লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই, ইন্দিয়াগী টিম অদু মণিপুরী মচা সিলকিনা কেপ্টেন ওইদুনা শান্নবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী হৌবদগী হৌনা বাংলাদেশকী মায়কৈদা এটেক কয়া চথবা ঙমখি।

শান্নবগী ২ শুবা মিনিটতা ইন্দিয়াগী টিমনা পুশিনখিবা এটেক অমদা অভিকা সিংহগী ফ্রী কিক অমা বাংলাদেশকী গোল বারদা পান্দুনা থক্তোরকখি। থক্তোরকপা বোল অদু ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সিলকিনা হেদ তৌশিনবদা পোষ্টতগী খরা হাইদোকখিবদগী পাঞ্জল ওইরমগদবা য়াম্না ফজবা তাঞ্জা অমা ঙন্না মাঙজখি।

এটেক লেপখিদবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা শান্নবগী ৫ শুবা মিনিটতা অমুক্তসু খুদোংচাবা অমা ফংখি। ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর সুনিতা মুন্দানা ফিল্ডগী ময়ায়দগী খাইরকপা বোল অমা বাংলাদেশকী পেনাল্টি এরিয়া ফাওবা মথন্তা পুশিন্দুনা ওফসাইদ তাদ্রবা তাঞ্জা অদুদা বাংলাদেশকী গোলকীপর অদু লান্থোক্লগা পাঞ্জল ওইবা য়ারবা তাঞ্জা অদু মহাক্না পুশিঞ্জখিবা বোল অদু ফিভম চুমখিদবদগী পাঞ্জল অদু নাম্থোকখি।

বোল হেন্না পায়বা ঙন্বা ইন্দিয়াগী নুপীগী চহী ১৫ মখাগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখা তানা এটেক চথবা লেপখিদে। মণিপুরদগী হৌখিবী মিদফিল্ডর ক্রিটিনানা ওই থংবা মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনিটতা বাংলাদেশকী গোলকীপর অদু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা মপা খেন্নবদগী গোলকীপর অদুনা ঙাকথোক্তুনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা তাঞ্জা অমসু মাঙজখি।

শান্নবগী অহানবা হাফ য়ৌগদবা মিনিট ২ দা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা অশোয়বা অমা তৌখিবদা বাংলাদেশকী শান্নরোয় অনুচিং মোঘিনিনা য়াম্না নকপা মফমদগী পাঞ্জল ওইরমগদবা তাঞ্জা অমা ইন্দিয়াগী গোল পোষ্টতগী নাথৈদুনা পাঞ্জল ওইখিদে। অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মিনিট ১১ চঙশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী মিদফিল্ডর অভিকা সিংহনা পীরকপা পাস অমা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর সুনিতা মুন্দানা বাংলাদেশকী দিফেন্দরশিং অদুবু লান্থোক্লবা হোৎনবদা কোর্নর অমা ফংখি। কোর্নর কিক অদুগী বোল বাংলাদেশকী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা মণিপুরদগী হৌখিবী শান্নরোয় লিন্দা কোমনা ফংদুনা বোলদু খাইদোরকপদা মফম চানা লৈখিবী ষ্ট্রাইকর সুনিতা মুন্দানা কাওশিন্দুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ইন্দিয়ানা চন্দুনা মমাঙগী চেম্পিয়ন বাংলাদেশপু ১-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা বাংলাদেশকী চহী ১৫ মখাগী টিম অদুনা মমাঙগী টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবগী মগুন ঙাক্লবা হোৎনবদা ইন্দিয়ানা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা মখোয়গী মায়কৈদগী অরৈবা পাঙ্গল ফুদোরকখি। শান্নবগী ৭৬ শুবা মিনিটতা বাংলাদেশকী শান্নরোয়শিং অদুনা পুশিল্লকপা এটেক অমদা কাওশিনখিবা বোল অদু ইন্দিয়াগী গোল বারদা পান্দুনা পাঞ্জল ওইহৌখিদে। ইন্দিয়াগী গোলকীপর মনিসনা মেচকী লোইরমদাই ফাওবদা বাংলাদেশকী এটেকশিং অদুবু ঙাকথোকপা ঙমদুনা টাইটল অদু ইন্দিয়ানা লৌখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৭

১। মণিপুর টাউন ক্লব ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী মমীং চৎপা হোকি অমসুং ফুটবোল শান্নবদা মকোক ওইখিবা ক্লবনি। ক্লব অসি লীংখৎখিবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নুপা অদু কনানো?

২। মহাক বেলারুসকী নেসনল লেজিষ্টলেচর ওইদ্রিঙৈদা ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা ওইরম্মী। মহাক ওলেম্পিক অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংখি। মহাক কনানো?

৩। মহাক এসিয়ন গেমসতা ফুটবোল শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারুবদা মেচ অনীখক্তং শান্নবা ফংখি। ফাইনেল শান্নবদা য়াওবা ফংখিদে। হন্দক্তা পাউমী অমদা মহাক্না হায়খিবদি "ঐনা ফাইনেল শান্নবদা শরুক য়াবা ফংদ্রবসু মদুনা (এসিয়ন গেমসতা শরুক য়ারুবা) ঐগী খ্বাইদগী চাউবা মীৎকুপ অমনি অমসুং ঐগী নুংঙাইতবা অমত্তা লৈতে"। সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয় ১৬কী মনুংদা অমা ওইখিবা খা থংবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। মহাক ইরাক্কী মহুৎ শিন্দুনা মেক্সিকো ওলেম্পিক্কী সাইকল লমজেলদা শরুক য়ারুবদা পোজিসন অমত্তা ফংখিদে। মহাক্না অমেরিকাদা মীতোপ (অতোপ্পা লৈবাক্কী মী) ১০০০ হেন্না আইনগী ৱাংমদা লোন্না পুশিনবগী (Immigrant Smuggling) ফাদুনা চহী ১৩ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। সাইকল থৌবা অদুগী মমিং হায়য়ু।



৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নম্বুল মপাল কাঙখুৎনা এন বি কে এ কাঙখুৎপু মায়থীবা পীরম্লগা মপু ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ মণিপুর কাঙ এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা হৌখিবা চহীগী মেগী ২৯ দগী হৌদুনা নামৈরাকপম লৈকাইদা লৈবা শিংজমৈ কাঙশঙদা পাঙথোকখিবা ৬২ শুবা সার চুড়াচান্দ (কে এস সী আই - সী বি ঈ) লীগ কম নোক আউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ গী মপু নম্বুল মপাল কাঙখুৎনা ওইখ্রে। অদুগা নম্বোল বমদিয়ার কাঙ এসোসিএসন (এন বি কে এ) কাঙখুৎনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাঙখুৎ ১৪ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৬২ শুবা সার চুড়াচান্দ (কে এস সী আই - সী বি ঈ) লীগ কম নোক আউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসন (এম ও এ) গী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবমনা চীফ গেষ্ট, মণিপুর কাঙ এসোসিএসন (এম এ কে এ) গী প্রসিদেন্ট এম জাদুমনিনা প্রসিদেন্ট অমসুং রিটায়র্দ টিচর ৱাই বুধচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবদগী নম্বুল মপাল কাঙখুৎ অমসুং এন বি কে এ শান্নখি। মেচ অদু নম্বুল মপাল কাঙখুৎনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা এন বি কে এনা কাঙ কাপ্পা হৌখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা কাঙ কাপ্লখিবা অদু লোইশিল্লকপদা নম্বুল মপাল কাঙখুৎনা এন বি কে এবু পাঞ্জল ২৩-১৮ দা মায়থীবা পীরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখি। অদুগা মায়থীহৌরবা এন বি কে এনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

৬২ শুবা সার চুড়াচান্দ (কে এস সী আই - সী বি ঈ) লীগ কম নোক আউট ওপন কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮ গী অহুমশুবা পোজিসননা নম্বোল কাঙখুৎনা তাখি। বেষ্ট প্লেয়রনা এন বি কে এগী এ অপেন অমসুং নম্বুল মপাল কাঙখুৎনা এন মচু, বেষ্ট চেকফৈনা নম্বুল মপালগী এন সচিন্দ্রনা স্কোর ১২ লৌদুনা, বেষ্ট লমথানা নম্বুল মপালগী দল্লিয়ু শ্যামকুমার অমসুং এন বি কে এগী কে ঐচ বিরেননা স্কোর ১০/১০ তৌদুনা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা অম্পায়র ওইনা পি ঐচ চুড়ামনি শর্মা, ট্রান্সলেসন ওইনা টি ঐচ কুমার, স্কোরকীপর ওইনা এম ইথোই, টাইমকীপর ওইনা এস শরত অমসুং কম্প্যের ওইনা এস মুনিন্দ্রোনা ওফিসিএট তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৱিন্নর ওইখ্রবা কাঙখুৎতা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা ১৫,০০০; রন্নর্স তাখ্রবা কাঙখুৎনা ট্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা ১০,০০০; অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা কাঙখুৎতা শেলগী মনা লুপা ২,৫০০ অমসুং তোঙান তোঙানবা টাইটল ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা শেলগী মনা লুপা ৫০০/৫০০ সু থৌরম অদুদা দাইজ মেম্বর ওইখিবশিংনা খুৎশিন্নখি।

# রাদেকা অমসুং মাকারোভানা চিনচিনাতি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌখ্রে, নুপা অমসুং নুপীগী ফাইনেলগী লম্বা মশক খঙখ্রে



চিনচিনাতি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) ঃ য়ু এস এগী ওহাইও ষ্টেটতা লৈবা চিনচিনাতি সিটিদা পাঙথোকপা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট শম্না চিনচিনাতি ওপন হায়নসু খঙনরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু জেক রিপব্লিককী লুসি রাদেকা অমসুং রসিয়াগী একাটেরিনা মাকারোভানা লৌখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপা অমসুং নুপীগী ফাইনেল শান্নগদবা লম্বাশিং অদুসু মশক খঙখ্রে।

নুপীগী দবলসকী কাঙলুপতা ৭ শুবা সীদেদ প্যের ওইখিবা জেক রিপব্লিককী লুসি রাদেকা অমসুং রসিয়াগী একাটেরিনা মাকারোভানা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সীদেদ প্যের বেলজিয়মগী এলিসি মার্টিন্স অমসুং নেদরলেন্দসকী দেমি স্কুর্জকা লম্বা তৌনবদা সেট ২-০ দা থোইবা ঙমখি।

রাদেকা অমসুং মাকারোভানা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা রসিয়াগী এনাষ্টেসিয়া পাব্লু চেনকোভা অমসুং লাটভিয়াগী অনাষ্টেজিয়া সেভাষ্টোভাবু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা বেলজিয়মগী এলিসি মার্টিন্স অমসুং নেদরলেন্দসকী দেমি স্কুর্জনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা য়ু এস এগী প্যের কাইটিলিন খৃষ্টিয়ন অমসুং সব্রিনা সন্টামারিয়াবু ৬-১, ৬-৪ দা থোইরম্বনি।

ঙরাংগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা জেক রিপব্লিক অমসুং রসিয়াগী প্যের অদুনা বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দসকী প্যের অদুগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দা থোইরগা ফাইনেল অদু সেট অমা মাঙজিল থাখি। ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা সেটতা লুসি রাদেকা অমসুং একাটেরিনা মাকারোভাগী মায়োক্তা এলিসি মার্টিন্স অমদি দেমি স্কুর্জনা অকনবা লম্বা পীরক্তুনা সেট অদুগী অপূনবা গেম ১০ শান্নবা লোইশিল্লকপা ফাওবদা নাকল অনীমক গেম ৫-৫ থোইনদুনা লৈখি। মখা তারকপা ফাইনেল মেচ অদুগী অনীশুবা সেট অদুদা জেক রিপব্লিককী রাদেকা অমসুং রসিয়াগী মাকারোভানা বেলজিয়মগী মার্টিন্স অমদি নেদরলেন্দসকী স্কুর্জকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙম্বগা লোয়ননা মখোয়গী সর্ভিস হোল্ড তৌদুনা গেম অনী থংননা থোইবদগী সেট অদু ৭-৫ দা মখোয়না ঙমদুনা নুপীগী দবলসকী টাইটল অদু মখোয়না লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা ঙসি অথেংবদা ৱর্ল্ড নম্বর টু শান্নরোয় স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং ৱর্ল্ড নম্বর ১০ শান্নরোয় সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচকা লম্বা তৌনরগনি। ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেচ অমদা রোজর ফেদরর অমসুং বেলজিয়মগী টুর্নামেন্ট অদুদা ১১ শুবা সীদেদ শান্নরোয় ওইরিবা দেভিদ গোফিনগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদু লম্বা মান্ননা থেংনরকপদগী টাই ব্রেক য়ৌরকখি। টাই ব্রেক অদুদা রোজর ফেদররনা পোইন্ট ৭-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারগা চৎখি। অনীশুবা সেট অদুদা শান্নরোয় অনীমক গেম অমমম থোইনদুনা লৈরিঙৈ বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিন মখা তানা মশা শোকপদগী শান্নবা ঙমদদুনা রিটায়র তৌদুনা মেচ অদু ফেদররনা মায় পাক্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল অমদনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সীদেদ ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং ১০ শুবা সীদেদ সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচকা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা জোকোভিচনা অহানবা সেট ৬-৪ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট সিলিকনা ৬-৩ দা থোইরবা মতুং দিসাইদিং সেটতা জোকোভিচনা ৬-৩ দা অমুক থোইদুনা মহাক ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সকা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌনরগনি। সাইমোনা হালেপনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা বেলারসকী শান্নরোয় অরিনা সবালেনকাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীরম্বনি। অমরোমদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সীদেদ শান্নরোয় জেক রিপব্লিককী পেত্রা কিটোভাগা অকনবা লম্বা তৌনদুনা সেট ২-১ দা থোইখি। অহানবা সেট কিটোভানা ৬-৩ দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেট অদু বর্টেন্সনা ৬-৪ দা থোইরগা দিসাইদিং সেট অদুসু মহাক্না ৬-২ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

নুপাগী দবলসতা ব্রাজিলগী ব্রুনো সাওরেজ অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরেনা ফাইনেলদা কলম্বিয়াগী প্যের রোবর্ট ফারাহ অমসুং জোন সেবেসিয়ন কবালগা লম্বা তৌনরগনি।

# সিনকেফিল্ডগী অহানবা রাউন্দদা আনন্দ দ্রো চৎখ্রে

সেন্ট লুই, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী সেন্ট লুইদা পাঙথোকপা সিনকেফিল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী হিকারু নাকামুরাগা দ্রো চৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াই হন্দক্তা সেন্ট লুই সিটিদা পাঙথোকখিবা রেপিদ এন্দ ব্লিটজ টুর্নামেন্টতা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা য়ূম্বু লৈবাক য়ু এস এগী হিকারু নাকামুরাগা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দনা সিনকেফিল্ডগী অহানবা রাউন্দদা হিকারু নাকামুরাবু অকনবা লম্বা থেংনদুনা খুদোংচাবা পীদবমখৈ রাউন্দ অদুদা দ্রো শান্নখিবনি। আনন্দনা রাউন্দ অদুদা নাকামুরাগা খূৎলায় তাঙ্কক কয়াদা চাং মান্ননা শিন্নথোক্তুনা লোইশিল্লকপদা ক্বিন অমসুং পোনগী এন্দ গেম ওইদুনা রাউন্দ অদু দ্রো চৎখিবনি।

মালেমগী মকোক থোংবা চেছ শান্নরোয় ১০ না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অদুদা অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর সাখ্রিয়ার মামেদয়ারোবনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী শান্নরোয় ৱেসলি সোবু মায়থীবা পীখি। অতোপ্পা মেচ অমদা অরমেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়ননা রসিয়াগী সর্গে করজাকিনবু মায়থীবা পীখি। অদুগা অতোপ্পা মেচ অনী অমসু দ্রো চৎখি। ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন আনন্দনা ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবকা লম্বা তৌনরগনি। লাগ্রেবনা ঙরাং শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন নোরৱেগী কার্লসনগা দ্রো চৎখি।

# গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা থাঙ-তাগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ হন্দক্তা চান্দিগরদা পাঙথোকখিবা ৭ শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুবদা গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট ষ্টুদেন্টস ক্লব, খুম্বোংনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

মৈতৈ নোংশা লাল্লোং থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসন, মাক্লংগী মখাদা লৈবা খুম্বোং অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈবা শান্নরোয়শিং অমদি ইনষ্ট্রক্টরশিংসু ওকপগী থৌরম অদুদা ইকায়খুম্নখি।

খুম্বোং বজারদা লৈবা মল্টিপর্পজ হোলদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ষ্টুদেন্টস ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থাঙ-তাগী শান্নরোয় ওকপগী থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী চীফ পেট্রোন ওইরিবা লোক সভাগী ইন্নর পার্লিয়ামেন্টরি মেম্বর ওইরিবা ডো. থোকচোম মৈন্যনা থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখি। মোইদাংপোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান লাইশ্রম কৈনাতোন, গ্রাম পঞ্চায়ট অদুগী মেম্বর ইরেংবম রাজো লোয়ননা ঙাইরাংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ প্রধান কোন্থৌজম জিনানা গেষ্ট ওফ ওনর অদুগা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনাম সমরেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

ওকপগী থৌরম অদুদা সেপ্টেম্বর ১৪ দগী ১৯ ফাওবা মোঙ্গোলিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা এরোবিক জিম্নাষ্টিক এসিয়া কপতা শরুক য়াগদৌরিবী থোকচোম ময়াবতিবু কম্পিটিসন অদুদা মকোক ওইননবা পূক্লিং থৌগৎখি।

# ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা ইষ্টানবুল কপ টুর্নামেন্টতা য়ূম্বু টর্কি অমসুং ওমানগী টিমগা লম্বা তৌনগদৌরি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯ (এজেন্সী) ঃ

হন্দক্তা জোর্দাননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱেষ্ট এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা চহী ১৬ মখাগী ওইবা লৈবাক মঙাগী ফুটবোল টুর্নামেন্টতা জপানগী মখূৎতা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাখ্রবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমনা মখা তানা টর্কিনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্টানবুল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা য়ূম্বু লৈবাক টর্কি অমসুং ওমানগা লম্বা তৌনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসি মথং থাদা মলেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী চহী ১৬ মখাগী চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদৌরিবনি। মদুদা অফবা রিজল্ট ফংননবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা হায়রিবা টিম অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাক্তা এক্সপোজর টুর থাদুনা লাকপনি।

হায়রিবা এক্সপোজর টুর অসিগী মনুং চন্না টর্কিগী ইষ্টানবুল কপ হায়না মীংথোনবা লৈবাক অহুমগী ওইবা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা টুর্নামেন্ট অদুদা টর্কি অমসুং ওমানগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগা লম্বা তৌনরবা মতুং ইন্দিয়াদা হল্লক্লিঙৈ মাঙওইননা টর্কিগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব বেসিক্টাসকী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগা ফ্রেন্দলি মেচ অমসু শান্নগনি।

চহী অসিগী জন্যুৱারি থাদগী ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা ইন্টর্নেসনল মেচ ১৯ শান্নবা ঙমখ্রে। মদুদা মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাক কয়াগী ফুটবোল টিমগা লম্বা তৌনখি। য়ু এস এ, নোরৱে, জপান, সর্বিয়া, ইরাক, নোর্থ কোরিয়া, থাইলেন্দ, জোর্দান অমদি চাইনাগী চহী ১৭ মখাগী টিমশিংগা লম্বা তৌনখি।

ইন্দিয়াগী নেসনল ফুটবোল টিমগী দাইরেক্টর ওইরিবা অবিশেক য়াদবনা ফোঙদোকখিবদা টর্কিদা ওমানগী ফুটবোল টিম য়াওনা শান্নগদৌরিবা ইষ্টানবুল কপ অদুদা শরুক য়াদুনা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন চেম্পিয়ন্সিপতা ক্বালিফাই ওইরবা টিম ১৬ কী মনুংদা ৯ গা থেংনদুনা এক্সপিরিএন্স কয়া ফংগদৌরিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা চহী অসিগী জন্যুৱারি থাদগী চথুরকপা এক্সপোজর টুর অসিদা ফংলকপা এক্সপিরিএন্স অদুনা এসিয়াগী ওইবা থাক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সী অন্দর ১৬ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুদা চাওনা কান্নবা ফংলগনি হায়রি। মমাঙদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল কেপ্টেন ওইরম্বা য়াদবনা ফোঙদোকখিবদা ইষ্টানবুল কপ টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অসিগী অরোইবা এক্সপোজর টুর্নামেন্ট ওইরগা এ এফ সী চেম্পিয়ন্সিপ অদুগীসু শেম-শাবগী অরোইবা টুর্নামেন্ট ওইগনি।

মহাক্না মখা তারদুনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা চহী নৌরিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা এ এফ সী চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারকপা মতমদা অহেনবা এক্সপিরিএন্স লৈনবা এক্সপোজর টুর কয়া অসি শীনবনি। মসিনা শান্নরোয়খক্তা নত্তনা টিম অদুগী কোচ অদুবুসু অহেনবা লৌশিং পীদুনা মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা করম্বা লাল্লোং শীজিন্নগদগে হায়বদু চপ চানা ৱাখলদা থমহনবা ঙমখি।

চহী ১৬ মখাগী ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসি বিবিয়ানোনা লুচিংদুনা শেম-শাগৎলকপনি। টিম অসিনা চহী ১৬ মখাগী এ এফ সী চেম্পিয়ন্সিপকী গ্রুপ এদা লৈরিবা মলেসিয়া, জপান, টাজিকিষ্টান অমসুং থাইলেন্দগী টিমশিংগা মাঙজৌননা শেম-শাবা ওইনা এক্সপোজর টুর অদুদা লম্বা তৌনবা ঙমখি। লোয়ননা গ্রুপ বিগী নোর্থ কোরিয়া, য়েমেন, জোর্দান অমদি ইরাক য়াওনা হৌখিবা থা ৮ অসিদা মায়োক্লদুনা লম্বা তৌনবা ঙমখ্রবনি। টর্কি অমসুং ওমানগা লম্বা তৌনগদৌরিবা অসিনা এ এফ সী টুর্নামেন্ট অদুগী মাঙওইননা খ্বাইদগী কান্নবা ফংলগনি হায়না য়াদবনা ফোঙদোকখি।

টর্কিগী টিম অসি ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হৌখিবা চহীদা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা ঙমখ্রবা টিম অমনি। লোয়ননা ওমানগী টিম অসিসু এ এফ সী অন্দর ১৬ কী ফাইনেলদা ক্বালিফাই ওইরবা টিম অমনি।

ইন্দিয়ানা ইষ্টানবুল কপকী মনুং চন্না অহানবা মেচ অদু হয়েং ওমানগী চহী ১৬ মখাগী টিমগা অহানবা মেচ শান্নগনি। মদুগী মতুং ওগষ্ট ২২ দা য়ূম্বু টর্কিগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগা লম্বা তৌনগনি। মদুগী মতুং ওগষ্ট ২৫ দা টর্কিগী য়াম্না মমিং লৈরবা ফুটবোল কপ বেসিক্টাসকী চহী ১৬ মখাগী শান্নরোয়শিংগা ফ্রেন্দলি মেচ শান্নগনি।